১৩) য়েন লোইবা খরগা থোংনজরকপদা য়েনগী ঈশিংসি লুঁমথোক্লগা পীথকপা থেংনজে। মসি অফবা অমনি অদুবু য়েন মশীং য়াম্লকপদদি ঈশিং লুম্বদা মৈ চঙলকপনিনা মসিনা তোঙানবা খরচ অমা য়াওশিল্লকই। মসিগী মহুৎতা ঈশিং লিটর ১০০০ দা ব্লীচিং পাউদর গ্রাম ৮ হাপ্লীদুনা অফবা ঈশিং শেম্বীবা য়াই। হায়রিবা ব্লীচিং পাউদরসিসু লংজমগী ফি অমদা হাপ্লীরগা ঈশিং টেঙ্কিদা য়ান্দুনা তুম্নবা থম্বীগনি।

১৪) মকোনগী অকোয়বদা নাপীশিং অমত্তা হৌহনবিরোইদবনি। অমদি অচৌবা উ- ব্রাসু থাবিরোইদবনি। মকোনগী অকোয়বদা ঈশিং তুংদুনা লৈগদবা কোংকুৎ অমত্তা থম্বীরোইদবনি। মসিনা লায়না তীলনা কয়াগী মচা কোকফম ওইদুনা লায়না কয়া থোকহন্নবা অচৌবা মচাক অমসু ওই। নুংশিৎ নুংশা শেংনাথম্নবা অকোয়বগী ফীভমসু লূনা নান্না থম্বীগদবনি।

ঐখোয়না নীংথিনা লূ- নান্না য়েন ব্রোইলর লোইরবদি শীবগী চাং অদুক্কী মতীক হন্থহনবগা নত্তনা শেন্দোং লৈনা অমদি তুং কোইনা লোইদুনা ইশা- ইশাগী থবক পীজদুনা খুন্নাইসিগী চাওখৎ লম্বীদা অচৌবা ঙাক্লৌ অমা ওইগনি।

*Prepared by:*
**Dr. Sarangthem Zeshmarani**
SMS, Vety & AH

Leaflet No. 38

ICAR

# KRISHI VIGYAN KENDRA
## THOUBAL



**TOPIC:**

## করম্না ব্রোইলর য়েন মশা মউ ফনা থমগনি

Department of Agriculture
Govt. of Manipur

## করম্না ব্রোইলর য়েন মশা মউ ফনা থমগনি

ব্রোইলরদা থোকহল্লিবা লায়না খুদিংমক ঐখোয়গী মীৎনা উবা ফংদবা অপীকপা ওর্গানিজমশিংনা থোকহল্লি। লায়না থোকহল্লিবা ওর্গানিজমসি মফম অমদগী অমদা হায়বদি ব্রোইলর হেন হেক ওনবদগী য়োন্নবা থৌরাং তৌবা মতমদুফাওবদা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং খুদম ওইনা হায়রবদা য়েরুম কোনহন্নবা হাপ্পা ট্রে, ইক্কিপমেন্টশিং, পুথোক পুশিন তৌনবা শীজিন্নরিবা গাড়ী,শেন্নরিবা মীদুগী মফি মরোল, খুৎশা, খোঙউপ অসিনচিংবা কয়া অসিদগী লায়না কয়া শন্দোকই। মসিদসু নত্তনা লায়না শন্দোরকপদা হুই, হৌদোং, ঊচিঅমদি অতোপ্পা তীল কাঙ কয়া অমনসু লায়না শন্দোরকপগী অচৌবা থৌদাং লৌরি। হায়রিবা ময়াম অসিনা লায়না থোকহন্দুনা শিবগী চাং হেনগৎহল্লগসু শিহৌদবা খরদুদি অমুক হান্নগী মশা- মউ ফনা লৈবা ঙমদবনা, অরুম্বগী চাং অদুক্কী মতীক হন্থহল্লি। ব্রোইলর য়োকপসি অতেনবা মতম ওইবনা অনাবা কয়া মায়োক্নবা মতুংদসু শাহৌ ফনা লৈবা ঙমদে। মসিনা লোইরিবা মীদুদা অমাংবা অমা ওইহল্লি। ব্রোইলরদা লায়না কয়া মায়োক্নদনবা ঐখোয়না চেকশিন থৌরাং কয়া পায়খৎপা য়াই। মখোয়শিং অদুদি-

১) ব্রোইলর য়োকপীরিবা খ্বাই খীবিক্না লায়না তীলনা লাকহনবগী চাংশি অদুক্কী মতীক হন্থনা থম্বীগনি। য়েন থল্লিবা মকোন্দু নীংথিনা নুংশিৎ নুংশা চংবা মফম ওইগদবনি, ব্রোইলরদা পীজবিগদবা মচীঞ্জাক খুদিংমক অফবা কোকফাই কাদবা ওইগনি, য়েনশিং কুংশিন্না থম্বীরোইদবনি। মকোন মনুংদা হাপ্লিবা ৱাই নৎত্রগা উ মকুপশিংদু চোৎ চোৎ লাওনা থম্বীরোইদবনি অমদি অফবা ঈশিং পীথকপীগনি।

২) ব্রোইলর য়োকপা মতমদা খরা অমা অমুক্তা পূলপ লোইরগা য়োম্থোক্লবা মতুং অমুক অনৌবা মচা পুরক্কুনা লোইবা অদুগা খরা অমনা লেপ্তুনা পৈশা লাক্লবনি হায়দুনা মচেৎ মচেৎ লোইবসু য়াওদবা নত্তে। করিগুম্বা মচেৎ মচেৎ লোইবীগে হায়রবদি মকোন অমগা অমগগী অরাপ্পসি মিটর ১০.৫ (ফিট ৩৫) ওইগনি।

৩) য়েনগোনগী থোঙজিল মপান্দা খোঙ-খুৎ লূপ্না দিসইনফেক্টন্ট হায়বদি অনাবা লৌনদনবা হিদাক ফিনাইল, পোটাস অসিনচিংবসি ঈশিংদা য়ানশিল্লগা থম্বীগনি অমদি মকোন চংলমদাইদা হায়রিবা মহী অসি শীজিন্নবীগনি। মহী অসি নুমিৎ খুদিংগী শীনবিগনি।

৪) লায়না শন্দোরকপদা খ্বাইদগী অচৌবা মতেং পাংলিবসি মীওইবা (শেন্নরিবা মীওই অমসুং অতোপ্পা মীওইশিং)নি। মরম অসিনা মকোন মনুংদা শক খঙদবা মী অমত্তা চঙহন্দবা ফৈ। করিগুম্বা চঙবা তারবসু অনৌবা খোঙউপ পীদুনা চঙহনবিয়ু অদুগা করিগুম্বা ব্রোইলর মচা মৈ থান্দুনা থম্বা ওইরবদি মফমদুদা য়ারিমখৈ মীতোপ চঙহনবিরোইদবনি।



৫) ব্রোইলরদা থোকহল্লিবা লায়না কয়া অমা অতোপ্পা সোর্সতগী থোকহনবা য়াই। খুদম ওইনা হায়রবদা ঊচী, ঊতীন, তীল-কাঙশিং, উচেক- ৱায়াশিং অসিনচিংবনি। হায়রিবা ময়াম অসিদদগী নীংথিনা ঙাকথোকপা মথৌ তাই।

৬) ব্রোইলর থল্লিবা মকোনগী মনাক্তা অতোপ্পা মখলগী উচেকশিং হায়বদি ঙানু, কাংঙা, খুনু অসিনচিংবগী মকোক্ন অমত্তা থম্বীরোইদবনি। মসিনা লায়না শন্দোরকপগী অচৌবা মরম অমা ওইহল্লি।

৭) মথক্তা পল্লিবা উচেকশিংগী মথক্তা হুই, হৌদোং, ষণ, ইরোই অমদি হমেঙ অসিনচিংবগী মকোনসু ব্রোইলরগী মকোন নক্তা তথম্বীরোইদবনি।

৮) ব্রোইলর য়াম্না লোইবা ফার্ম অচৌবশিংদদি য়েন অমদি মচীঞ্জাক পুথোক- পুশিন তৌরিবা গাড়ীশিং ফাওবা মকোনগী মনাক্তা নক্না চঙহন্দবা ফৈ, লাপ্না থম্বনা ফৈ।

৯) অরিবা য়েন য়োম্থোক্লবা মতুংদা অনৌবা য়েন্নাউ থমদ্রিবৈঙগী মাংওইননা মকোনশিংদু নীংথিনা শেংদোকপীহৌগদবনি। অনৌবা য়েন্নাউ থমদ্রিবৈঙদা য়ামদ্রবদা হপ্তা অমরোমদি মকোন অদু নীংথিনা শিৎ নান্না শেংদোকপীরগা থম্বীগদবনি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা হান্না শীজিন্নরম্বা পোৎ চৈ অমসুং পাত্রশিং নীংথিনা চামথোক শেংদোক তৌবিগদবনি। অদুগা নুংশাদা নীংথিনা ফৌদোক্লগা কংহনবীরগা মথং শীজিন্নবা থম্বীগনি।

১০) করিগুম্বা য়েন অশিবা য়াওরবদি য়েন অশিবদু হুন্দোকপগী মহুত্তা কোম তৌরগা ফুম্বিবা নৎত্রগা মৈ থাদোকপনা খ্বাইদগী ফৈ। মসিনা লায়না শন্দোরকপগী চাং হন্থহল্লি।

১১) ব্রোইলর ফার্ম অচৌবদা করিগুম্বা য়েন শেন্নবা মী য়াম্না লৈবা ওইরবদি শেন্নবা মতমদা মচা শেন্নবগীনা তোঙান্না অমা, পুংকক চাউরকপগীনা অমা অদুগা অচৌবশিংগীনা অমা, অসুম্না তোঙান- তোঙান্না থম্বীগনি। করিগুম্বদা মী অমখক্তা লৈবা ওইরবদি য়েন শেন্নবা মতমদা মচাদগী হান্না সেবা তৌবা তৌরগা অচৌবদা লোইশিনবীগনি।

১২) য়েনগোন শেংদোক্লবা মতুংদা শেংদোকপগী অমোৎ- অকায় খুদিংমক মকোন মনাক্তা কৈদৌনুংদা পৈদুনা থম্বীরোইদবনি। মসিনা হয়িং তোংবগী চাং ৱাংহনবতা নত্তনা লায়না কয়া শন্দোরক্লবগী মরম অমসু ওইহল্লি। অদুনা মকোনগী অমোৎপা খুদিংমক মকোন্দগী লাপ্না কোম তৌরগা ফুম্বীবা নৎত্রগা কম্পোজ হার ওইনা শীজিন্নগদবনি।